# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লাকোয় # ২৭৯

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মণিপুরদা অদুমক মরাং কায়না হৌবা অদুগা হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং য়াওজবা পাম্বীশিংগী মনুংদা লাকোয় হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। পাম্বী অসিগী মমিং অসি লাকোয় কৌনবগী মরমদি পাম্বী অসিগী মনা অদু ইকোয়-কোয়বা অদুদগীনি। লাকোয় পাম্বী অসি ইংলিসতা মেকরঙ্গা (Macaranga), মালেদা মাহাঙ (Mahang) নৎত্রগা জাগ্লো (Jaglo) নৎত্রগা মোরালিয়া (Moralia) গারোদা বোল-অজাক (Bol-ajak) নৎত্রগা চাগ্রু (Chagru), নাগাদা কাপু (Kapu), নেপালিদা মালাতা (Malata), চাইনিজদা জোং পিং (Zhong ping shu), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *মেকরঙ্গা দেন্তিকুলাতা (Macaranga denticulata (Blume) Mull.-Arg.)* নৎত্রগা *মেকরঙ্গা মেলিনিফোলিয়া (Macaranga gmelinifolia king ex Hook. f.)* নৎত্রগা *মেকরঙ্গা হর্নিকোরম (Macaranga hernicorum Hemsl.)* নৎত্রগা *মেকরঙ্গা পেরাকেন্সিস (Macaranga perakensis Hook. f)* নৎত্রগা *মাপা দেন্টিকুলাতা (Mappa denticulata Blume)* নৎত্রগা *ৱালিচাই (Mappa wallichii Mull. Arg.)* নৎত্রগা *তানারিয়স দেন্টিকুলাতা (Tanarius denticulatus (Blume) Kuntze)* হায়না কৌই অমসুং *য়ুফোর্বিয়েসী (Euphorbiaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি, শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি পাখং লৈতোন পাম্বী (Eupharbia hirta L.), নোঙ্গাংহৈ পাম্বী (Euphoria longan Steud), আৱা কেগে পাম্বী (Jatropha curcas L.), কেগে পাম্বী (Ricinus communis L.) অসিনচিংবনি। লাকোয় পাম্বীগী মনা অসি মুন্না য়েংশিল্লবদি মসিগী ভেনেসন (Veination) হায়বদি মনাদা চৎলিবা মশিং অদু হেক য়েংবদা লাগী মনাগুম্না উবদগী অমদি মওং অদু ইকোয়-কোয়বদগী পাম্বী অসিবু লাকোয় হায়না কৌনবনি। লাকোয় পাম্বী অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা ব্লিসতেরী মেকরঙ্গা (Blistery Macaranga) হায়না কৌনৈ। মালেমগী ওইনা অপূনবা স্পিসিস ৩০০ লোম মেকরঙ্গা হায়রিবা জিন্‌স (Genus) অসিগী মনুংদা লৈবগী মনুংদা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা য়ামদ্রবদা স্পিসিস ৩দি ফংই হায়বগী পাউদম লৈ। পাউদমগী মতুংইন্না মেকরঙ্গ জিনস অসি কুমজা ১৮০৬তা ইহান হানবা ওইনা মমিং থোনখি অমসুং মৌরিসিয়সকী ঈথৎতগী ফংখি।



লাকোয় হায়রিবা পাম্বী অসি মতম পুম্নমক্তা মনা শংদুনতা লৈবা (Evergreen) ফুট ৪৫ ফাওবা ৱাংবা অপিকপা উ পাম্বী অমনি। লাকোয় পাম্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা খা থংবা চাইনা, ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং, নেপাল, ম্যান্মার, বাংলাদেশ, অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎশিং, থাইলেন্দ, কম্বোদিয়া, লাওস, মলেসিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। লাকোয় পাম্বী অসি খরা হেন্না শাবা ত্রোপিকেলগী মফমদগীনা ইশা-শাদবা টেম্পরেটকী উমংশিং, সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ১০০ ৱাংবা মফমদগীনা মিটর ১৩০০ ৱাংবা মফম ফাওবদা মহৌশাগী ওইনা হৌবা থেংনবীগনি। য়াম্না পূক্নিং চিংশিন্নীংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা লাকোয় পাম্বী অসি লাবা অমসুং অমোম পাম্বী অসি অতোপ্পা পাম্বী অয়াম্বদা ওইদবগুম তোঙান-তোঙান্না হৌই। হায়রিবা থৌওং অসিবু বোটানিকেলগী ওইবা থৌওংদা দাইওইসিয়স স্পিসিস (Dioecious species) হায়না কৌই। হিমালয়গী খরা নেমতক তৌবা মফমশিংদা লাকোয় পাম্বী অসি মপূং ফানা হৌই। অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা মরু ওইনা মণিপুরদা লাকোয় পাম্বী অসি থোইদোক্না মরাং-কায়না হৌই। মণিপুরগী খরা নেমতক তৌবা উমংশিংদা লাকোয় পাম্বী অসি মহৌশাগী ওইনা হৌবা মীয়াম্না থেংনবীগনি।

পাউদমগী মতুংইন্না লাকোয় পাম্বীদা য়াওবা খ্বাইদগী মরু ওইবা কম্পাউন্দ অদুদি মেকরনগিন (Macarangin) হায়না কৌই। লাকোয় পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। লাকোয় পাম্বী অসি লৈহাও ইচেন চেন্দ্রবা লৈবাক-লৈশাদা মপূং পানা হৌবা ঙম্বা মরম্না উ-ৱা নীংথিজনা হৌদ্রবা মফমশিং অমুক হন্না উমং শেমগৎপদা য়াম্না পাম্না থানৈ। লাকোয় পাম্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু লেপিদোপটেরা (Lepidoptera) কাঙলূপ্তা চনবা মরু ওইনা এন্দোক্লিতা মালাবারিকস (Endoclita malabaricus) হায়রিবা তীল অসিগী মচিঞ্জাক ওইনা পীজনৈ। লাকোয় পাম্বীগী উগী ময়ায় থংবা শরুক অদু অয়াম্বা মতমদা হোই (Hollow) অমসুং মদুদা ককচেং মখল খরা মরু ওইনা ক্রিমেটোগেসটর (Crematogaster) অসিনা য়াম্না তোয়না মখোয়গী মহুম শাই। মসিনা মরম ওইদুনা লাকোয় পাম্বীদা তীল-কাং তাবা ঙমহন্দে। লাকোয় মখল খরা মরু ওইনা মেকরঙ্গা ইন্দিকা (Macaranga indica) অসিদা মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নবা মেকরঙ্গা গম (Macaranga gum) হায়না খঙনবা ঙাকশং ঙাংবা মচুগী গম অসি পুথোকই।

মলেসিয়াগী রঙ্গস (Rungus) হায়রিবা মীওইশিংনা লাকোয় পাম্বী মরু ওইনা মেকরঙ্গ তেনারিয়স (Macaranga tanarius) গী মনা অদুনা চাকয়োম শেল্লগা মতম খরা লীদুনা থম্বা অমদি চাক অদু মহাও হেঙ্গৎহনবদা শীজিন্নৈ। হীদাক ওইনা লাকোয় পাম্বী অসি অশোক-অপন তৌবদা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। হীরম অসিদা লাকোয় পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা শুমদুনা লৌবা মহী অদুনা অশোক-অপন তৌবা মফম অদু লশিংদা লুপ্পগা চামথোক্লবা মতুংদা বেন্দেজ অমগুম্না য়েত্তুনা থম্বদা অশোকপা মফম অদু থুনা ওইশিনহনবগী মথক্তা অতোপ্পা মহীক-মতাইদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না পাউদমলি। বাংলাদেশকী ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা লাকোয় পাম্বী অসি কার্মিনেটিভ (Carminative) হায়বদি পুক নুংশিৎ কাবা, ইমেটিক (Emetic) হায়বদি হূ য়াওবা পোৎশক চাশিল্লুবদগী ওবা, হিমোপটাইসিস (Haemoptysis) হায়বদি মীওইবগী হকচাংদগী ঈ থোকপা অসিনচিংবশিং অসি লায়েংবদা হীদাক ওইনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। Mohammad Shah Hafes Kabira অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা থিজিনবদগী খঙবা ঙমখ্রে মদুদি লাকোয় পাম্বীদা য়াওরিবা মেকরনগিন (Macarangin) হায়রিবা কম্পাউন্দ অসি মোলেক্যুলার দোকিং (Molecular docking) তৌদুনা চাংয়েং চথবদা দাইবেটিস হায়রিবা ঈশিং পুকচৎকী লায়না অসিদা ঈথিল পীবা ঙম্বা মরম্না দাইবেটিসকী হীদাক শাবদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়বসিনি। অতোপ্পা বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদম অমগী মতুংইন্না লাকোয় পাম্বীদা এন্টিনোসিসেপতিভ (Antinociceptive) হায়না খঙনবা অশোক-অপন তৌবদা ফাওবা চৈনা অদু থিংবা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই হায়বসিনি। ●

# ফার্ম লোশিং – কনানা কনাগীদমক

– এস. সোরোজিনি –

ৱাহৌদোক –

ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌমীশিংগী য়াইফনবনি হায়দুনা অনৌবা ফার্ম লো অহুম শেমদুনা লৈবাকসিগী পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌদুনা আইন ওইহনখ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি আইনশিং অসিনা কান্নহনগনি অমদি কান্নবা ফংগনি হায়রিবা লৌমীশিংনদি হায়রিবা আইনশিং অসিগী মায়োক্তা হনবা লৈতবা শিংনদুনা লাক্লি। নাকল অমরোমদনা লৈঙাক্লসু খোঙফম হন্দোক্তনা লৈরি। মতাং অসিদা য়েংবা য়ারিবসি লৌমীশিংনা মখোয়গী য়াইফনবা শেমলিবা আইনশিং অসি য়ানিংদ্রিবা করিগীনো ? অদুগা লৈঙাক্লসু খোঙফম হন্দোক্ত্রিবা করিগীনো হায়বসিনি।

**ফার্ম লোশিংনা করি হায়রি –**

ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌমীশিংগী য়াইফনবা শেমলিবা আইনশিং অদুদি – ১) ডি ফার্মর্স প্রোদ্যুস ট্রেদ এন্দ কমর্স (প্রোমোসন এন্দ ফেসিলিটেসন) এক্ট ২০২০,

২) ডি ফার্মর্স (ইম্পৱারমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন) এগ্রিমেন্ট ওন প্রাইস এসুরেন্স এন্দ ফার্ম সার্ভিসেস এক্ট ২০২০, অমসুং ৩) ডি ইসেন্সিয়েল কমোডিটিজ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০২০ অসিনি।

আইন অহুম অসি তোঙান তোঙান্না উরবসু তশেংবদি অমত্তনি হায়বা য়াই। মরমদি আইন অহুম অসিনা অচৌ–অচৌবা এগ্রো বিজিনেস কারবাৱালাশিং অসি লৌউ শিংউগী পোত্থোকশিং অসি অথিংবা লৈতনা কারবার তৌবা য়াহনগদৌরিবনি। হায়বদি অহানবগী আইন অসিনা লৌমীশিংগী পোত্থোকশিং অসি লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা ষ্টেট লান্না লল্লোন–ইতিক তৌবা য়াহনগনি। অনিশুবগী আইন অসিনা অচৌবা এগ্রো বিজিনেস অমদি কোর্পোরেটশিংগা লৌমীশিংগা কন্ট্রেক্ট ফার্ম্মিং তৌবগী অয়াবা পীগনি। অদুগা অরোইবা অহুমশুবগী অসিনা কারবারৱালাশিংনা পোত্থোকশিং অসি লোন্না পৈশিন্দুনা থম্বগী খুদোং চাবা পীরি।

হৌজিক আইনশিং অসি লাকপদগী অচৌবা ৱাহং খরা লাকখ্রে। মদুদি অচৌবা শেঞ্জাও পায়বা এগ্রো বিজিনেস অমদি কোর্পোরেট কাঙবুদা লৌমীশিংগী পোত্থোকশিং কারবার তৌবা করিগীদমক য়াহনগদৌরিবনো ? মসি লৌমীশিংগী স্বার্থদরা নৎত্রগনা শেঞ্জাও পায়বা কারবাৱালাশিংগী স্বার্থদরা? শেন্দোংতনা লাইনিং ওইবা শেঞ্জাও পায়বা কারবারৱালাশিংনা ফৌ–চেঙ হৱাইশিং অসি কারবার তৌরক্লগা ঐখোয়গী লায়রবা চরা অনী শুনা চাবা ফংদবা মীয়াম অসিনা করম তৌবা ? লৌমীশিংনা আইনশিং অসিনা কান্নগদবা হায়বদি মখোয়দা অহেনবা পোত্থোক পুথোকহনবা ঙম্বগা লোয়ননা অহেনবা আই লাকহনগদবা ওইরবদি করিগীদমক য়ানিংদ্রিবনো ? নাকল অমদনা লৌমীশিংগীদমক খনবা অমদি নুংশিজবা ৱাজবা লৈঙাক্না লৌমীশিংনা য়ানিংদ্রবা আইনশিং করিগীদমক হন্দোক্ত্রিবনো? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম হেক ফংবদা আইনশিং অসি কনানা কনাগী স্বার্থদা শেল্লিবনো হায়বসি ময়েক শেংগনি।

আইনশিং অসি লাকপদগী অখঙ–অহৈ কয়ানা নৈনদুনা লাক্লি। মখোয়গী মরক্তসু য়ানিংবা য়ানিংদবা অনী থোক্লি। খরা অমদি লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোই ফাওবা মানবা কাঙবু য়াওরি। অমবু ওইরো অমবু ওইরো আইনশিং অসিদগী থোক্লকপা মচং ওইবা ৱাফম খরদি –

১) মহৈ মরোংশিং লৌশিনবা অমদি মার্কেটিং
২) চিঞ্জাক্তা পীবা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস
৩) এগ্রিকলচর প্রোড্যুস মার্কেটিং কমিটি (এ পি এম সী)
৪) ফুদ, ফর্টিলাইজর অমসুং পৱার সবসিডি
৫) ষ্টেট লৈঙাক্কী শেঙ্গাওদা হম্বরক্কদবা আই
৬) কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য সরকারগী মথৌদা খুৎ থিংজিল্লকপা
৭) করিগুম্বা লৌমীশিং অমদি শেঞ্জাও পায়বা কারবাৱালাশিংগা মুক্নরকপা হায়বদি মরম অমা নৎত্রগা অমদা য়ানরক্তবদা য়াননবা হোৎনবদা থেংনগদবা মওংশিং, অমদি ৮) চাওখৎলবা লৈবাকশিংদগী লাকপা হৌজিক চৎনরিবা মহৈ–মরোংশিং ৱানশিনবগী মওং অসি হোংদোক্লবা তকশিল্লকপা অসিনচিংবা ৱাফমশিংনি।

অনৌবা ফার্ম লোশিং অসিনা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস সিষ্টেম অসি মথন্তা তপ্না তপ্না মাঙখ্রগনি হায়না লৌমীশিংনা মীপাইবা পোক্লি। ৱাফম অসি চুমগনি। মরমদি আইনশিং অসিদা উরিবসি রিগুলেটেদ মার্কেট অমদি অন–রিগুলেটেদ মার্কেট অনীসিনি। আইনশিং অসিগী মখাদদি অন–রিগুলেটেদ মার্কেট ওইরগনি। মরমদি ইসেন্সিয়েল কমোডিটিজ এক্ট শেমদোক্তুনা পোৎলম খুদিংমক লোন্না পৈশিন্দুনা থম্বা য়ানবা লম্বী শেমলে, অচৌবা শেঞ্জাও পায়বা কোর্পোরেটশিংনা মহৈ মরোংশিংদা কারবার য়াহল্লে, লোয়ননা আইনশিং অসিগী মখাদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস অসি প্রোটেক্ট তৌগনি হায়বা ৱাফম য়াওদে। অদুনা মশানা তানা লৌমী মীয়াম অসিনা মীপাইবা ফাওবা তাবনি।

ঐখোয়না করিগীদমক এম এস পি অসি অসুক্কী মতিক মরু ওইরিবনো হায়বসি য়েংবদা কান্নগনি খনজে। মরমদি মসিনা লৌমীশিংনা পুথোকচরিবা পোত্থোকশিং অসিগী মমল অসি মখোয়গী ৱাজমলগী মহয় খরদংদা ওইরবসু ফংনবা লৈঙাক্না মতম মতমগী লেপ্পা খ্বাইদগী হম্বা মমলনি। করিগুম্বদা মসি লৈত্রবদি মহৈ মরোংশিংগী মমলনা খং হন হম্থ্রবদি লৌমীশিংনা কমদৌবা ? মতাং অসিদা চেন্নরিবা অতোপ্পা ৱাফম অমনা ‘‘সবসিডি’’ হায়বসিনি। মসি শন্না লৈঙাক্না শেল থুমগী ওইবা ঙাকলৌ অমা লৌমীশিংদা পীবা কান্নবা মখল অমনি। মসি মখল অহুম থোক্না পী হায়না পানৈ। অহানবদা চিঞ্জাক্তা, অনিশুবদা হারদা অদুগা অহুমশুবদা মৈদা। লৈঙাক অমদি আইনশিং অসিবু শৌগৎপা কাঙবুশিংনা হায়রিবদি অসিগুম্বা সবসিডি মখল অহুম অসিনা লৈবাক্কী শেঙ্গাওদা শাথিনা শোকহনবতা নত্তনা ঐখোয়গী পোত্থোকশিং অসি মমল ৱাংবনা মালেমগী কৈথেলদা য়োনবা শিৎত্রে হায়বসিনি।

অতোপ্পা য়াম্না মরু ওইরিবা অমনা অনৌবা আইন অসিগী মখাদদি লৌমীশিংনা মখোয়গী পোত্থোকশিং অসি য়োন্নিংবা মীওইদা, মফম অমদা য়োনবা য়াগনি হায়বসিনি। মসিদা নাকোইননা পল্লিবদি এগ্রিকলচর প্রোড্যুস মার্কেট কমিটিশিংনা মোনোপোলি তৌদুনা লৌমীশিংদা কান্নহন্দ্রে অদুনা শেঞ্জাও পায়বা এগ্রো বিজিনেস কারবারৱালাশিংদা পোৎ য়োনবা য়াহনগদবনি হায়বসিনি। লোয়ননা এমএসপি অদু লৌথোক্লগা কারবাৱালাশিংনা পোৎ হোঙনা লৈহল্লগা লোন্না পৈশিন্দুনা থম্বা য়াহল্লগা তাঙনা অমুক য়োলহনবা য়ানবা লম্বী শেম্বনি। মসি আইন অহুম অসিনা হায়বনি। অদু ওইরবদি কান্নগদবা অসি লৌমীরা, শেঞ্জাও পায়বা কারবাৱালাশিং অসিরা য়েংবা য়ারে। লৌমীশিংদা কান্নবা পীবা আইন অমা শেমদোক্লগা শেঞ্জাও পায়ববু কারবার য়াহনবা অসি কনাগী কান্নবনো হায়বসি অদুম ইফোং ফোংনা তাক্লে। মসিননি লৌমীশিংনা শিবা চংবা খঙদনা লাম্থেংনরিবা।

অতোপ্পা মরু ওইবা ৱাফম অমনা লৌমীশিংগা শেঞ্জাও পায়বা কারবাৱালাশিংগা কন্ট্রেক্ট অসি তৌনবদগী করিগুম্বা মরম অমা নৎত্রগা অমদগী য়ানদদনা য়াশিন্নবা ঙমদদনা বিচার লোইশংদা চৎপগী (সিভিল কোর্ট) হক আইন অসিগী মখাদা লৈতে। খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙশিং সব কল্লেক্টর নৎত্রগা মহাক্না নোমিনেট তৌবা এদিসনেল কল্লেক্টর অমনা প্রিসাইদ তৌগদবা অপিলেট ওথোরিটি অমনা ওইহল্লি। মতাং স্বাইদনি ‘‘নূংগা য়েরুমগা কাউনবা’’ হায়বা ইপা ইপুগী ৱাফম লাক্লিবসি। বিচার তৌগদবা ওফিসারশিং অসি লৈঙাক্কী ডাইরেক্ট কন্ট্রোল মখাদা লৈগনি। অদুগা খৎনগদবা পার্টিনা লায়রবা লৌমীগা শেঞ্জাও পায়বা কারবারৱালাশিংগা কনানা কনাগী মীচংদা লাক্কদগে হায়বসিদি হায়দ্রবসু য়ারে। খুদম হায়ববু ড্রগ ময়াম অমা ফারে। খুদম ফংদে হায়দুনা থাদোকপদগী লৈবাক ৱাথোক ওইরিবসিনি।

ৱারোইশিন – অনৌবা ফার্ম লোশিং অসি মরৌ লৈবা আইনশিংনি। মসিগী মনুংদা ফুমদুনা লৈবা ৱাফম কয়ামুক য়াওরি। মসিনা ইস্যু কয়ামুক পুদুনা চৎলি। খ্বাইদগী মরু ওইবসি লৈঙাক্না করিগুম্বা মখল অমত্তগী খূৎ থিংজিনবা তৌদনা শেঞ্জাও পায়বা এগ্রো বিজিনেস কাঙবুদা মনিং তম্না কারবার তৌহনবা য়াহনবা অসিনা লায়রবা লৌমীশিংদা শাথিনা চৈথেং পীগনি। লৌমী হায়বসিদা অরৈবসু অয়োনবসুনি। অয়োনবনা হোঙনা য়োল্লগা অরৈবনা তাঙনা লৈবগী ফিভম অমা লাক্কনি। অদুনা হৌজিক্তী তশেংনা উরে মদুদি আইনশিং অসি কনানা কনাগীদমক শেমলিবনো হায়বসি। ●

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**

**Ref :- Mut. Case No. 223/SDC/IW -L/2021**
(1) Mutum Meena Devi D/o (L) Mutum Hemanta Singh of Thangmeiband Khomdram Selungba Leikai. (2) Mutum Meeta W/o Kabrabam Nepolean Singh of Thangmeiband Kabrabam Leikai.
...*Petitioner*
-Vs-
(Late) Mutum Hemanta Singh S/o (L) Kala Singh of Thangmeiband Khomdram Selungba Leikai. ...O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ / **NOTICE**
19/02/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার মুতুম হেমন্তা সিংহ পীতা মৃ: কালা সিংহ, সাং থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫০ - ঙারিয়াম্বমগী অনৌবা পাট্টা নং ১২০, দাগ নং ২৮ অমসুং এরিয়া ১.৪৪ চাউবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/9008/20 *Sd/- Sub-Deputy Collector:IW:Lamsang*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 140/SDC/SWG of 2021**
Parties :- Konsam (N) Ngangom (O) Balapati Devi W/o (L) Ipikumar Singh of Takhel Makha Leikai. *-Petitioner*
-Vs-
Late Pattadar :- Ngangom Ipikumar Singh S/o Amu Selung Singh of Takhel. *-Opposite Parties*

ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ / **NOTICE**
Sawombung, the 16th Feb. 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি শওম্বুং তহশিল খুল নং ৬১ - তখেল পাট্টা নং ৬১ (অরিবা), ৬০০/১০২০ (অনৌবা), দাগ নং ২২০৫ অমসুং ২২০৭/২৪৬৫, মোট এরিয়া ০.৬১ অমসুং ০.০২ (ফৌরেল) একর চাউবা অঙনফৌ লৌফমগী পাট্টাদার Ngangom Ipikumar মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চেনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

HL-P/8998/20 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Sawombung, Imphal East*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI**

**Ref :- Mut. Case No. 180/SDC/KBI Dt. 16/02/2021**
(1) Wahengbam Naran Singh s/o (L) W. Mangi Singh of Kumbi W/No. 5. (2) Wahengbam Geeta Devi W/o (L) W. Nabachandra Singh of Kumbi W/No. 5 (3) Wahengbam Shyam Singh S/o (L) W. Mangi Singh of Kumbi W/No. 5 (4) Wahengbam Shantikumar Singh S/o (L) W. Mangi Singh of Kumbi W/No. 5 *-Petitioners*
-Vrs-
Wahengbam Mangi Singh S/o (L) W. Megho Singh of Kumbi W/No. 5 *-Op. Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ / **NOTICE**
Kumbi, the 16th Feb, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক্তা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬৪- কুম্বীগী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ১১০৭/১৯৫৭ (অনৌবা), ১৭৯ (অরিবা), দাগ নং ৫৩৬৩/১৩০১৬, অপূনবা এরিয়া ০.৩০ একরগী ইঙ্খোলসিদা পাল্লিবা পাট্টাদার ৱাহেংবম মঙ্গি সিংহ পীং মৃ: মেঘো সিংহ সাং কুম্বী ৱার্দ নম্বর ৫দা লৈবা মীওই অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ মশীং পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মশা ওইনা লাক্কুনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। করিগুম্বা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদবা তারগদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথ্দুনা মিং ওনখ্রগনি। মখা তাবা আপতি অমত্তা লৌজরোই।

HL-P/9006/20 *Sd/-Sub-Deputy Collector, Kumbi*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No. 125/SDC/M dt. 19/2/2021**
Leikhrakpam Khomdombi Devi W/o Late L. Priyobata Singh of Terakhongshangbi Makha Leikai. *-Petitioner*
-Vs-
Late Leiphrakpam Ibomcha Singh S/o (Late) Tomcha Singh of Terakhongshangbi.

ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ / **NOTICE**
Moirang, the 19th Feb, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ১৬৬৩/২১১০ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৫০৪৬/৭২০০ এরিয়া ০.৩৬ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারী অসিগী মিংদা নামা ওনংবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/9101/20 Sd/- Sub-Deputy Collector, Moirang

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI**

**Ref :- Mut. Case No. 192/SDC/KBI Dt. 16/02/2021**
(1) Hmt. Ningthouchung Kom S/o (L) Ateba Kom of Sagang. (2) Hmt. Amitkumar Kom S/o (L) Ateba Kom of Sagang and (3) Hmt. Jangkhupthang Kom S/o (L) Ateba Kom of Sagang. *-Petitioners*
-Vrs-
Ateba Kom S/o (L) Akhup Kom of Sagang. *Op. Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ / **NOTICE**
Kumbi, the 16th Feb, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬০- শগাংগী মনুংদা লৈবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টা নং (অরিবা) অমসুং ৫৬৯ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ১৯৬৪, এরিয়া ০.৩৪ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

HL-P/9006/20 *Sd/-Sub-Deputy Collector, Kumbi*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No. 23/SDC/M dt. 14/1/2021**
1. Laiphrakpam Premjit Singh S/o L. Yaiskul Singh of Moirang Phairembam Leikai.
2. Konjengbam Bishojit Singh S/o (L) Ph. Babudhon Singh of Moirang Phairembam Leikai (0.06 acres) on Western.
-Vs-
Late Laiphrakpam Tomei Singh S/o (Late) L. Bapu Singh of Moirang Phairembam Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ / **NOTICE**
Moirang, the 19th Feb, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫৩-মোইৱাংদা লৈবা পাট্টা নং ৩১৬ অনৌবা সী এস দাগকী নং ২০৮৮ এরিয়া ০.০৮ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্তুনা মিং ওন্নবা হৌখিবা তাং ১৫ ৱাকচিং, শোক ২০২১ (Mut Case No. 23/SDC/M) হায়রিবা অসি পাউচেদা ফোঙবদা কো-দরখাষ্টকারি নং ২গী য়ূম্নাক অসি মথক্তা পঞ্জরিবা অসিগী মহুৎতা ফাইরেম্বম হায়খিবদু হৌজিক লৈরিবা কোঞ্জেংবম অসি ওইগদবনি হায়না চুমথোকচরি।

HL-P/9101/20 Sd/- Sub-Deputy Collector, Moirang

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK**

**Ref :- Mut. Case No. 182/SDC/Yairipok**
Parties- Shamulailatpam Jandhabi Devi W/o (Late) Nabachandra Sharma of yairipok Bamon Leikai. ...*Petitioner*
-Vrs-
(Late) Shamulailatpam Nabachandra Sharma S/o (Late) Ibohal Sharma of Yairipok Bamon Leikai. ...Opp

ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ / **NOTICE**
16-02-2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১০৫ - বামোন লৈকায় পাট্টা নং ১৬৬ (অরিবা), ২০৩/৫০৯ (অনৌবা), দাগ নং ১১৬/৩৭৭, এরিয়া ০.১২৫৫ হেক্টর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার শামুরাইলাৎপম নবচন্দ্র শর্ম্ম পীং মৃ: ইবোহল শর্ম্ম সাং য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দা লৈবা অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরনা মাগী নুপীগী মিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নমা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

HL-P/8808/20 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Yairipok

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**

**Ref :- Mutation Case No. 140/AS & SO dt. 8/02/2021**
Thokchom Ibomcha Singh S/o Th. Gourachand Singh of Kakching Ningthou Leikai.
-Vs-
-do- Gourachand Singh S/o Tompok Singh of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ / **NOTICE**
Dt. 08/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচীং তহশিল খুন নং ৫৮-ককচীং খুল্লেন পাট্টা নং ৩৮৮/৬২৭/pt (অনৌবা), দাগ নং ২০৯/pt, এরিয়া ০.০৭ হেক্টর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার থোকচোম গৌরচান্দ সিংহ পীং মৃ: তোমপোক সিংহ সাং ককচীং নিংথৌ লৈকায় অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চথরগনি।

HL-B/6797/20 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI**

**Ref :- Mut. Case No. 181/SDC/KBI Dt. 16/02/2021**
1) Wahengbam Joy Singh S/o (L) W. Chaoba Singh of Kumbi Makha Leikai. *-Petitioner*
-Vrs-
1) Wahengbam Chaoba Singh S/o (L) W. Rabei Singh of Kumbi Makha Leikai. *Op. Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ / **NOTICE**
Kumbi, the 16th Feb, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক্তা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬৪-কুম্বীগী মনুংদা লৈবা ফৌরেল লৌফমসিগী পাট্টা নং ১০৭৬ (অনৌবা), দাগ নং ৬১৭০গী অপূনবা এরিয়া ২.৬৫ একর চাওবা লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মিং কল্লগা পিটিস্নরগী মীংদা পানবীয়ু হায়দুনা এস দি সীগী কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মশা লাক্কুনা ওবজেক্সন তৌরকপা য়াগনি। করিগুম্বা মথক্কী নুমিৎ ৭ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদবা তারগদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথদুনা পিটিস্নরগী মীংদা পাট্টা নামা ওনখ্রগনি। মখা তাবা আপতি অমত্তা লৌজরোই।

HL-P/9006/20 *Sd/-Sub-Deputy Collector, Kumbi*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।